# জয়শ্রী অমসুং অন্বেকরনা সিলভর মেদল অমদি রাধামণি লোংজমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে





ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

বেঙ্কোক্তা থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা ১৫ ফাওবা চত্থখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং ফ্যুচর কপতা মণিপুরদগী ইনি দয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা জয়শ্রী চিরোম অমসুং এল অন্বেকরনা সিলভর মেদল অমমম লৌখিবগা লোয়ননা রধামণি লোংজমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

চত্থখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী কেজি ৫০গী ফাইনেল বাউটতা য়ুক্রেনগী মিখায়লো সাইদো রেনকোনা অন্বেকর অমসুং নুপীগী কেজি ৫৪গী ফাইনেল বাউটতা জয়শ্রী চিরোম মহাক্কী মায়োক্নবা লম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী রুইজকী মখুৎতা ১–৪দা মায়থিদুনা সিলভর মেদল লৌহৌখি।

রাধামণি লোংজমনা নুপীগী কেজি ৫৭কী সেমি ফাইনেল বাউট অমদা য়ুক্রেনগী পেত্রুক্কী মখুৎতা মায়থিবা নঙদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফং হৌখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা জয়শ্রী অমসুং অন্বেকরগী সিলভর মেদল অমমম অমদি রধামণিগী ব্রোঞ্জ মেদল অমা য়াওগা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা পুন্না গোল্ড ১, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ য়াওনা পুন্না মেদল ৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল মেদল অদুনা চন্দ্রিকা পুজারিনা নুপীগী কেজি ৫১দা লৌবা ঙমখি। ৱেঠ কেটাগোরি অসিগী ফাইনেলদা চন্দ্রিকা পুজারিনা উজবেকিষ্টানগী মরদোনোভা নাজোকটবু য়ুনানিমস দিসিজনগী খুৎথাংদা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সিলভর মেদল অমনা নুপীগী কেজি ৪৮দা গুঞ্জননা লৌবা ঙমখি। ৱেঠ কেটাগোরি অসিগী ফাইনেলদা গুঞ্জনগী মায়োক্নবা লম্বা ইংলেন্দগী বোক্সরনা ৫–০দা মায়থিবা পীরমখি।

নুমিৎ নিপালনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং ফ্যুচর কপ অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা মশক নায়বা ইনখৎল্লক্লিবা বোক্সরশিংনা য়ুঠ ওলেম্পিক ৱেঠ দিভিজনদা অকনবা লম্বা তৌনখি। চেম্পিয়ন্সিপ অসি চহী অসিদা দকারদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ ওলেম্পিক্স গেমসকী ক্বালিফাইয়িং ইভেন্ট অমসু ওইরিবনি।

# রোল বোল অমসুং বোল বেদমিন্টন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

গুৱাহাটিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৪শুবা মিনি নেসনেল রোল বোল চেম্পিয়ন্সিপ, অগ্রানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা সব–জুনিয়র নেসনেল রোল বোল চেম্পিয়ন্সিপ অমদি তামিল নাদুনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৭০শুবা জুনিয়র নেসনেল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী শিংজমৈ ৱাংমদা লৈবা নৈলিটকী সেমিনর হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগী লোয়নবী য়ুম্নাম জয়বালা দেবীনা চীফ গেষ্ট, ইম্ফাল ম্যুসিনিপালিটিগী ৱার্দ নম্বর ১৬কী ইনচার্জ থোকচোম ইলিজা দেবী, নৈলিট ইম্ফাল সেন্তরগী এগজিক্যুটিভ ডাইরেক্টর য়ুম্নাম জয়েন্ত, বোল বেদমিন্টন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম তোম্বানচিংবা মীওই কয়ানা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মণিপুর রোল বোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ডা. লৈফ্রাকপম কুমারনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা শরুক য়াখি।

নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপশিং অসিদা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা টামিল নাদুনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৭০শুবা জুনিয়র নেসনেল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা বেষ্ট অপ কমিং প্লেয়র তারকখিবা লাইশ্রম সদানন্দবু পুক্নিং থৌগৎপা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবী য়ুম্নাম জয়বালানা ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

# প্রদক্সন ওফ খোঙলোন–খুৎলোন লোয়শিনখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

থাঙ–তা লুপ ইরোম মৈস্রাওনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮দগী ১৫ ফাওবা নুমিৎ নীপালনি চুপ্পা চত্থরকপা প্রদক্সন ওফ খোঙলোন–খুৎলোন মঙান থাঙ–তা লুপকী ত্রেন্নিং হোলদা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা হুয়েন লানজং থাঙ–তা কলচরেল এসোসিয়েসন য়াইস্কুল চিঙাখম লৈরক্কী সেক্রেটরী লাইশ্রম লশামোন সিংহনা চীফ গেষ্ট, থাঙ–তা এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন থিয়াম লৈশাংখোং য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী প্রসিদেন্ট থিয়াম কোরা সিংহনা প্রসিদেন্ট, নোংচুপ পানা হুয়েন লাঙলোন শিংদম শঙ য়ুরেম্বমগী প্রসিদেন্ট খুরাইজম নিলাকান্ত খা–ঙানবা, ইরোম মৈস্রাও লাইরেঞ্জম মৈস্রাও গ্রাম পঞ্চয়টগী ৱার্দ নম্বর ১০গী মেম্বর কুমারী শৌগ্রাকপম রানি চনু, ৱার্দ নম্বর ১১গী মেম্বর লাইশ্রম ওংবী অশালাতা দেবীনা মথংশীৎনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা লাইশ্রম লাসমোনগী ৱারোল পীরদুনা ঙসি ঐখোয়গী তাঙলবা হুয়েন লাঙলোনগী মহৈ অসিবু য়োকখৎপগী মনুং চনবা ওইনা ইরোম মৈস্রাওদা লৈবা মঙান থাঙ–তা লুপনা খোঙলোন–খুৎলোনগী মরমদা শীনবিরিবা অসি য়াম্না থাগৎলি। শা–লান হায়বসি মীওইবগা লোয়নরবা খুৎশেমনি, মীওইবগা থানবা য়াদ্রবা অমসুনি। তাইবংপান অসিদা খৎনা চৈনবা, শা–লান হায়বসি ফৎতে হায়না পাম্নদবা য়াই। তশেংনসু ফৎতে অদুবু তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থাদোকপা য়াদ্রবা, তৌরোই হায়বসু য়াদ্রবা অমসুনি। মী অমনা নৎত্রগা অনী অহুমনা ঐঙোন্দা ফানবা, হাৎকে তুপকে তৌরকপা মতমদা ঐ ইশা লিৎথোকপা–নান্থোকপা হায়বা হায়বসি তঙাইফদে। মসিদা শরিৎ শীরাক হায়বা মহৈ অদু হৈবা মথৌ তারকই।

শরিৎ শরাক হৈরবদি য়েক্নবদগী ইশা নান্থোকপা লিৎথোকপা খক্তা নত্তনা য়েক্নাববুসু মায়থিবা পীবা ঙম্মী। শরিৎ–শরাক হৈবা হায়বসিদা অমুক খোঙলোন–খুৎলোন অসিসু য়াম্না মরুওই মসিদা ফিভম ফিদুপ মখল কয়াসু য়াওরি। খোঙলোন–খুৎলোন অদুক্কী মতিক থুরিমখৈ ইশা য়েক্নবদগী নান্থোকপা, লিৎথোকপা, য়েক্নববুসু লাকশিনবা, মায়থিবা পীবদা মসিনা অথোইবনি। হুয়েন লাঙলোনগী মহৈসিগী মনুংদা লৈঙাকলোন, লাইনিংলোন, য়ুম্বাল্লোন, থকশি–খাসি, ৱাঙাং–শঙাং, থৌগৎলোন–বেভহার মখল শুনা য়াওরবা মহৈ অমসুনি। মরম অসিনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিং, ইনখৎল্লক্লিবা অঙাংশিং, নুপী ফাওবা মহৈসি তম্বদা কান্নরবা মহৈ ওইবনা হুয়েন লাঙলোনগী মহৈ অসিবু তন্বিয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।




# স্পোর্টসস্টার এচেস এৱার্দ ২০২৬: মিরাবাই চনুদা স্পোর্টস ৱুমেন ওফ দি ইয়র এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে



মুম্বাই, মার্চ ১৫ (এজেন্সি)ঃ

থা অসিগী ২০দা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা স্পোর্টসস্টার এচেস এৱার্দ ২০২৬দা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপী ৱেঠলিফটর অমা ওইরিবী সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং সুট্টর সুরুচি সিংহদা স্পোর্টস ৱুমেন ওফ দি ইয়র (ওলেম্পিক্স স্পোর্টস) এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে।

এৱার্দ অসি মিরাবাই চনুনা মমাঙ চহীদা ৱেঠলিফটিং মশান্না অসিদা মতম খরা অশোকপনা মরম ওইরগা পোথারুরবা মতুং অমুক হন্না হল্লক্তুনা শীংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীখিবা অমদি সুরুচি সিংহনা সুটিংদা অহানবা ওইনা সেনিয়র কেটাগোরিদা শরুক য়ারুরবা মতুং থা ৫গী মতুংদা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কনবা ঙম্লকখিবদগী এৱার্দ অসি পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবনি।

ওলেম্পিক সিলভর মেদলিষ্ট অমা ওইরিবী মিরাবাই চনুনা ২০২৪ পেরিস ওলেম্পিক্সতা ৪শুবা পোজিসন তাখ্রবা মতুং অশোকনা মরম ওইরগা মতম খরা পোথারুরবা মতুং মমাঙ চহীদা অমুক হন্না হল্লক্তুনা অহামদবাদতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী কেজি ৪৮দা স্নেটচতা কেজি ৮৪ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১০৯ য়াওনা পুন্না কেজি ১৯৩ থাংগৎতুনা গোল্ড মেদল লৌবতা নত্তনা স্নেটচ, ক্লিন এন্দ জর্ক অমসুং ওভর ওলদা কম্মনৱেলঠ রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা চহী অসিদা গ্লাসগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেলঠ গেমসগীদমক ডাইরেক্ট ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

মসিগী মতুং নোরৱেনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তসু মহাক্না সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমদুনা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা চহী ৩গী মতুংদা মেদল লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱেঠলিফটর ওইখিবনি।

নাকল অমরোমদা চহী ১৯ শুবদা ঙায়রিবা সুরুচি সিংহনা মমাঙ চহীদা ম্যুনিক, লিমা অমসুং অর্জেন্তিনানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ্তা থংন থংননা টাইতল ৩ লৌবা ঙমখিবতা নত্তনা লিমাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা মহাক্না লোয়ননা ওলেম্পিয়ান সৌরভ চৌধরিগী পিয়রনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টদসু গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মসিদা নত্তনা এসিয়ন সুটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তসু ব্রোঞ্জ মেদল ২ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা দোহাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলদা অনৌবা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড মেদলসু লৌবা ঙমখি।

স্পোর্টসস্টার এচেস এৱার্দ অসি অমুল অমসুং কসাগ্রান্দগা লোয়ননা এস আর এম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, এস বি আই, খৃষ্ট য়ুনিভর্সিটি, ভারত পেট্রোলিয়ম, এল আই সি, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ টেলঙ্গনা, এন টি পি সিনচিংবা তোঙান তোঙানবা কম্পনি কয়ানা পার্টনর ওইরগা পীখিবনি।

## ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাক্কো স্কুল চনুংনা শীন্দুনা স্কুল অসিগী হোক্কী ফিল্ডদা ঙসিদগী হৌগনি তৌরম্বা ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬ ষ্টেট লেভেল মেন’স ওপন হোক্কী টুর্নামেন্ট নোং–চিংগী ফিভমনা অপনবা পীবদগী থা অসিগী ১৭কী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা ইম্ফাল ইষ্টকী শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা সেয়োগী হোক্কী গ্রাউন্দদা হৌরগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী কনভেনর এল খাবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# য়ুম্নাম রাখিনা সিলভর মেদল লৌখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (এস এন এস)ঃ

পঞ্জাবকী ফগৱারাদা লৈবা লভলি প্রোফিসনেল য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ৯দগী ঙসি ফাওবা চত্থরকখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুমেন’স বোক্সিং টুর্নামেন্ট ২০২৫–২৬দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারীবি ককচিং খুনৌ কোলেজগী য়ুম্নাম রাখি দেবীনা সিলভর মেদল লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কেজি ৬০গী ফাইনেল বাউটতা সোবন সিংহ জিনা য়ুনিভর্সিটি, অলমোরা, উটারখন্দগী সোনালিনা য়ুম্নাম রাখিবু পোইন্ট ৪–২দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী টিম অদু য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টসকী ওইনাম ইঙোবীননা মেনেজর অমসুং মবাগী এল চিতরঞ্জননা কোচ ওইনা লুচিংখি।




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Ningombam Nimol Chand, RNI Registration No. 31350/ 77 E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com